HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাও
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



ঙসি লোক সভাদা খন্নদুনা পাস তৌনবা হোৎনগদৌরিবা চাদা ৩৩গী ৱিমেন রেজরভেশন বিলগী মনুংদা এস সী অমসুং এস টি নুপীশিংগী কোটা লৈগনি হায়না লো মিনিষ্টর অর্জুন রাম মেঘৱালনা লাউথোকখিবা

থম্মোয় পাউদম : হোমকমিং অমসুং মতুং - ২৮ ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ থাশিদগী থানিল, থানিলদগী থাশি ...
'হরিবংস রাই বচনগী অফাওবা ট্রিলোজি ... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ মচিন-মনাওবু তমথীনা হাত্তোকপীখিবা ...
পুং ৩২গী সিজফায়র হেক লোইখিবগা... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ ফিফা সিরিজ ২০২৬ঃ ইন্দিয়ানা মলারি...

লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কারক্তুনা ৯শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর ওইরম্বদা নত্তনা স্পিকর ফাওবা ওইরমখিবা ডা. মনিরুদ্দিন শেখ লৈখিদবদা সী এম অৱাবা ফোঙদোকপা



Vol. 51, Issue No. 24 | ইরাই, শজিবুগী থাশু | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, April 17, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### মণিপুরগী লান হৌরকপদগী মফম খঙখিদ্রবা মীওই ৩২গী খোঙ্গুল লীবীনবা হায় কোর্টতা ৱাকৎলক্লে

# মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশননা মীওই ২৩গী মতাংদা ইনভেষ্টিগেশন চখনবা পুলিস ওথোরিটিদা পীখিবা দিরেক্সন থবক্তা ওন্থোক্লমদ্রে

### হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা দি জি পি অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিদা 'লিমিটেদ নোটিস' ইস্যু তৌখ্রে





ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) : মে ৩,২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী তমথীরবা লানগী থৌদোকশিংগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩২ মফম খঙখিদবদগী হৌজিক ফাওবদা মখোয়গী লংলা-লংজিন ফংবা ঙমদ্রে অমসুং মীওই ৩২ অসিগী মনুংদগী ২৩গী মতাংদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনদা ৱাকৎলুবদা কম্মিশননা কেস ওইনা লৌখৎলগা ৱায়েল চখদুনা মরী লৈনবা পুলিস ওথোরিটিদা চখফম থোকপা ইনভেষ্টিগেশন চখবগা লোয়ননা কম্মিশনদা ৱাকৎলক্লিবা পিটিস্নরশিংদা ইনভেষ্টিগেশন অদুগী প্রোগ্রেসশিং চাং নাইনা খঙহনগদবনি হায়বগী দিরেক্সন পীখ্রবসু হৌজিক চহী ২ ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা মরী লৈনবা পুলিস ওথোরিটিনা কম্মিশননা পীখিবা দিরেক্সন থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলক্লে।

ৱাকৎ অসি ফেমিলিজ ওফ ইনভোলুন্টরিলি দিসএপিয়র্দ এসোসিএশন, মণিপুর (ফিদম) গী প্রসিদেন্ট কাঙুজম রঞ্জিৎ অমসুং হ্যুমেন রাইটস ইনিসিএটিভ (ঐচ আর আই) কী এদমিনিষ্ট্রেটর থোকচোম মনোজ মৈতৈনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ত্রোংলাওবীগী জে এ সীগা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা লৈঙাক্কা ৱারী শানবদা য়ান্নবা পুরক্লে

# কুকি মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা মিলিটরি ক্রেকদাউন হৌরে হায়রিবসি অপেনবা ওইদে, মীয়াম্না থাজগদবা মওংদা তৌগদবনি : জে এ সী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) :

থা অসিগী ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১.০৫ লোম তারকপদা কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম কাপশিন্দুনা পোকখায়হল্লকপদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা লৈবা ওইনাম মঙালঙম্বীগী ইমুংদা পোকখায়দুনা মহাক্কী লোয়নবী বিনিতানা কোল্লগা ফমুংদা তুল্লিবা চহী ৫ খক্তা ঙাইরিবা মচানুপা তোমথিল অমসুং থা ৫ খক্তা ঙাইরিবা মচানুপী য়াইস্নাবু বোম মচেৎনা পান্দুনা শোকপদগী কনবা ঙমদনা লৈখিদবা অমসুং অঙাং অনীগী মমাসু শোকপদগী হোস্পিটালদা লায়ন্নরকপা লোয়ননা থৌদোক অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লুবশিংদা সী আর পি এফনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী শোক্লবশিংগী মনুংদগী মীচম ৩ লৈখিদবা থৌদোক্কী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীগা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগা অমুক হন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানখ্রবসু নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমখিদ্রে।



ত্রোংলাওবীগী জে এ সীগী মীহুৎশিংগা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগা ৱারী শানবা

চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগা ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তারকপদা বাবুপড়াদা লৈবা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিএটতা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানখিবনি অদুবু নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমখিদবনি।

ৱারী শানরুবা মতুংদা জে এ সীগী এদভাইজর মোইরাংথেম ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### নোংমৈ কাপ্লুবা ২ ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) : মতম খরগী মমাঙদা চুড়াচান্দপুরদা আর এ এফতা নোংমৈ কাপ্লুবনি হায়বা ঙমখোমাং হাওকিপ (৩৬) অমসুং লেটমিন্থাং হাওকিপ (৩৮) কৌবা মীওই অনী ঙরাং রেঙ্কাইদগী পুলিসনা ফরে হায়রি।

### য়ু জি অমা ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) : পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা হৈরোক পি এসনা কোনবা হৈরোক পার্ট-থ্রী ইঙাংলোক এরিয়াদগী প্রিপাক-প্রোগী কাদর অমা ফারে হায়রি। ফারবা অসিগী মমিং লাইশ্রম বোইচা এলিয়জ চাইবা (২৯) কৌই, ৱাঙু চাইরেল মখা লৈকায়দগীনি। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা রিকোভর তৌরে হায়রি।

# এপ্রিল ২০ ফাওবদা দিমান্দশিং থবক্তা ওন্থোক্রবদি ইম্ফাল-মোরে লম্বীদা টোটেল বন্দ তৌরগনি

### চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দবু তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা লাকপা য়ারোই হায়রিবা কুকি গ্রুপ অমগী ৱাফম হন্দোক্কদবনি : দি দি সী সী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) : তেংনৌপল অমসুং চান্দেলগী তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ ৯গী মহুৎ শিল্লিবা দিষ্ট্রিক্ট দিভেলপমেন্ট কো-ওর্দিনেশন কম্মিটি (দি দি সী সী) না তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগীদমক মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং লৈঙাক্না শেমগৎ শাগৎত্রবদি কম্মিটি অসিনা থা অসিগী ২০দগী হৌরদুনা ইম্ফাল-মোরে লম্বী পরিংদা টোটেল বন্দগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।





দিষ্ট্রিক্ট অনীসিদা লৈরিবা আইমোল, মোয়োন, মোন্সাং, মরিং, তরাও, চোথে, তাঙ্খুল, খোইবু অমসুং লমকাংগী অপূনবা কম্মিটি ওইরিবা দি দি সী সীগী মায়কৈদগী মোন্সাং ত্রাইবকী মীহুৎ জোন খারতুনা ৱাফম অসি পাউমীশিংদা ফোঙদোক্লদুনা হায়, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং ইহো হোনা লৈরে। কম্মিটি অসিনা হৌজিক চঙশিল্লক্লিবসি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# চীফ মিনিষ্টরনা য়ুনিফাইদ সর্ভিস পোর্টেলগী মখাদা দিজিটেল পোর্টেল ৪ লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) : চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি মহাক্কী সেক্রেটেরিএটকী কেবিনেট হোলদা য়ুনিফাইদ সর্ভিস পোর্টেলগী মখাদা সিটিজেন-সেন্ট্রিক গভর্ণমেন্টকী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা তোঙান তোঙানবা দিজিটেল পোর্টেল মরি হাংদোকখ্রে।



চীফ মিনিষ্টরনা হাংদোকখিবা পোর্টেলশিং অদুদি সেন্ট্রেলাইজদ আর টি আই ষ্টেট পোর্টেল, ঈ-সেবা মণিপুর, এক্সপ্লোর মণিপুর অমসুং এ আই-ইনেবল্ড স্কিম ফাইন্দরনি হায়রি।

নৌনা হাংদোক্লিবা দিজিটেল পোর্টেলশিং অসিনা সিটিজেন-সেন্ট্রিক গভর্নেন্স খক্তা নত্তনা মীয়ামদা লৈঙাক অসিবু মনুং-মপান ফাওনা উহনবদা মতেং পাংলগনি হায়রি।

সেন্ট্রেলাইজদ্ আর টি আই ষ্টেট পোর্টেল অসিনা মীয়াম্না আর টি আই এপ্লিকেশনশিং ওনলাইনগী খুত্থাংদা ফাইল তৌবা ঙমহনবগা লোয়ননা মসিগী খোঙ্গুল লীবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেন এগজামগী রিজল্ট লাউথোক্লে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী) : সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশননা লৌদুনা পাঙথোকখিবা কুমসি চহী ২০২৬কী ক্লাস টেনগী রিজল্ট লাউথোকখ্রে।

রিজল্ট অসি মরী লৈনবা মহৈরোয়শিংনা বোর্দ অসিগী ওফিশেল ৱেবসাইট cbse.gov.in, cbseresults.nic.in অমদি results.cbse.nic.inদগী ফংবা য়াগনি। ঙসি লাউথোকখিবা এগজামিনেশন অসিগী রিজল্টদা পাস তৌবগী চাংনা চাদা ৯৩.৭০নি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ চহীদদি পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৩.৬৬ ওইখিবনি। এগজামিনেশন অসি বোর্দ অসিনা লৌদুনা চহীসিগী ফেব্রুৱারী ১৭তগী হৌরগা মার্চ ৬,২০২৬তা লোইশিনখিবনি। পূন্না মহৈরোয় ২৫,০৮,৩১৯না শরুক য়াখিবনি।

### কর্ফিয়ুগী অথিংবা থুগায়বা জুবেনাইল ২ লুপা লিশীং ৫/৫ ফাইন থিহল্লগা থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) : পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থুগায়বনি হায়বা জুবেনাইল অনী ইম্ফাল ইষ্টকী এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোক্লগা ফাইন ওইনা লুপা লিশীং ৫/৫গী শেনফম পীহল্লবা মতুংদা থাদোকখ্রে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতদি কর্ফিয়ু মনুংদসু খোঙজং চঙশিনখি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৪গী নুংথিলদা থিনুঙ্গৈ য়াওনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্তুনা অসাম রাইফলসনি হায়জবা মীওইশিংনা তোংলকপা গাড়ী অনী মৈ থাদোকখ্রবা মতুংদগী ওইরকখিবা ফীভমশিং লাকশিন্নবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশননা মতম কক্তবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখ্রবসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়াম্না লম্বী থিংবা য়াওনা ৱাকৎ খোঙজংনচিংবা চঙশিনখি। বিষ্ণুপুর কৈথেলদা মীয়াম্না অচৎ অওকশিং অথিংবা পীদুনা চৎহনখিদে। মীয়াম অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা সিক্যুরিটিগী গাড়ীশিংনা য়াঙনা থৌজিল্লকখি হায়নসু খোঙজংলোইশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

# এন ঐচ-২দা লালহৌলূপ অনীনা ত্রকশিংদগী নমদুনা শেল মুল্লে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী লাইফ লাইন অমা ওইরিবা এন ঐচ-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীদা নমদুনা শেল মুনবগী থবক থিংনবা হায়রে প্রোটেক্সন ফোর্স থম্বীয়ু হায়দুনা মীয়াম্না লাউদুনা লাক্লবসু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোক্তবনা খুৎলায় পায়বা লালহৌলূপশিংনা হায়রে অসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা গাড়ীশিং মরু ওইনা ত্রকশিংদগী নমদুনা শেলদা নত্তনা মোবাইল ফোন ফাওবা মুলহৌরে হায়না ত্রক দ্রাইভর খরনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না হায়রে অসিগী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মাও অমদি মরামগী এরিয়াদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কা পীস টোক তৌনরিবা এন ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এগী লোকল এরিয়া ফন্দ

# করি থবক পাঙথোকখ্রবগে হায়দুনা আর টি আইগী খুত্থাংদা হংলুবদা পাউখুম পীরক্তবদগী ফর্ষ্ট আপীল ফাইল তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) : উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এগী কুমজা ২০২২দগী ২০২৫ ফাওবগী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী শেনফমশিংনা কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী ৱার্দশিংগী ওইনা করি-করম্বা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পাঙথোকখ্রবগে অমসুং আই দি পিগী তেংবাঙ থবকশিংনা করি-করি পায়খৎখ্রবগে হায়বা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ৱাহংশিং হংলুবদা পাউখুম পীরক্তবদগী ফর্ষ্ট আপ্পীলেট ওথোরিটিদা ফর্ষ্ট আপীল ফাইল তৌখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী পি আই ওদা আর টি আই এক্টকী সেক্সন ৬(১)গী মখাদা মমাঙ থাগী ১১দা উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকায়দগী নিংথৌখোংজম রাজেস এলিয়জ থানিলনা এপ্লিকান্ট ওইদুনা মহাক্কী এ সী অসিগী এম এল এগী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী শেনফমশিং শীজিন্নখিবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাহংশিং হংখিবনি।

মহাক্কী ৱাহংশিংগী মনুংদা ফন্দ অসিদগী কুমজা ২০২২দগী ২০২৫ ফাওবগী ওইনা চহী-চহীগী সেঙ্কশন তৌখিবা ফন্দ অসিগী অপূনবা শেনফম কয়ানো হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সীগী ওফিসতা হংখিবনি অদুবু এক্ট অসিগী মতুংইন্না পীরকফম থোকপা পাউখুম নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা পীরক্তবদগী ঙসি এপ্লিকান্ট অসিনা দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ফর্ষ্ট আপ্পীলেট ওথোরিটিদা ফর্ষ্ট আপীল ফাইল তৌখিবনি।

এপ্লিকান্ট অসিগী ৱাহংশিংগী মনুংদা এ সী অসিদা এম এল এগী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দ, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশন অমদি ষ্টেটকী গভর্ণমেন্ট স্কিমশিংদগী ৱার্দশিংগী ওইনা পায়খৎখিবা দিভেলপমেন্ট ৱার্কশিং করি-করিনো হায়বা ৱাহংসু য়াওখি। লোয়ননা এ সী অসিদা কুমজা ২০২৩দগী মমাঙ চহী ফাওবদা চঙজফম লৌরকখিবা আই দি পিশিংগী মশীং কয়ানো অমসুং রিলিফ কেম্পশিংগী মশীংনা কয়ানো হায়নসু হংখিবনি।

### ইন্টরনেটকী অথিংবা থম্লকপা নুমিৎ ১২নি শুরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) : ত্রোংলাওবী অমসুং গেলমোলদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মতুংদা লৈঙাক্না থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবনি হায়দুনা থা অসিগী ৭কী নুংথিল পুং ২দগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মঙাদা ইন্টরনেট/মোবাইল দাটা সর্ভিসশিংদা অথিংবা থম্লকখিবদু ঙসি লৈঙাক্কী কম্মিস্নর কম সেক্রেটরি (হোম) না থোকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### কর্ফিয়ু বিষ্ণুপুরগীনা ঙসি অয়ূক পুং ১০ ফাওবা কোমথোক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংদা ত্রোংলাওবীদা থোকখিবা থৌদোক য়াওনা থা অসিগী ৭তা পি গেলমোলদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মায়োক্তা হৌরকখিবা মীয়াম লাকশিন্নবগীদমক থা অসিগী ৭তগী ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচীংদা থম্লকখিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিংগী মনুংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### পাক শন্না লান্মৈ চাক্লকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) : ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সিংজোল পি এসনা কোনবা সিংজোল অমসুং খোজিনগী মরক্তা পাক শন্না লান্মৈ চাক্লকখ্রে। ফায়র সর্ভিসনা মৈ মূখৎনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লুখ্রে হায়রি।

### কম্মান্দো সস্পেন্দ তৌরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) : পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙরাং থোরকপা চেরোল অমদা কে সী পি-ইবুংঙো ঙাঙোমগী থবক থৌরমদা চেন্নৈ হায়বগী মরালদা থা অসিগী ১৪দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী ফাখিবা ককচীং কম্মান্দোদা এটেচ তৌবা হবিলদার এলাংবম সুরজিৎ সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌরে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# ফুটবোল মশান্নদা করিয়র শেমদুনা ইচিল-ইনাওশিং ১সুং ইমুংগী মতেং পাংগে খনবনি অদুবু রিলিফ কেম্পতা লৈবদগী ওইথোক্কদবা মান্দ্রে

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
কাংপোকপীদগী খুঞ্জা

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) :

হৌজিক ফাওবগী ওইনা লান অসিনা মরম ওইরদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংবু খ্বাইদগী ইকোন কোন্না মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ডা. পুনিট কুমার গোয়লনা চহীসিগী জন্যুৱারী ২৮দা মশামক্তা খুৎয়েক পীদুনা থোকখিবা চেরোল অমদা ইমুং লিশীং ১০ হেনবগী আই দি পি লিশীং ৪০ হেনববু মমাঙ থা মার্চ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্না মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহন্নবা পান্দম থল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী পাউচে অসিনা লান হৌরকপদগী লাঞ্জেন্নরকখিবশিংগা



উন্নদুনা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা অমসুং মখোয়না থেংনবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা ৱারী শাদুনা 'হকথেংনবা পাউদম'গী মখাদা মীয়ামদা পাউদম্লকপগী মখা তারকপদা কাংপোকপীদগী লাঞ্জেন্নরকখিবা মশাগী চহী ১৬ খক্তা শুরিবা খ্বাইরাকপম মালেমঙানবা, অপোকপা কে ঐচ মংলেম, অপোকপী খ্বাইরাকপম ওংবী বেমবেমনা পেন্দবা ৱাফম কয়া পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

এন আর একাদেমিদা ক্লাস টেন তম্বগা লোয়ননা ফুটবোল মশান্নবু পামজনা শান্নরক্লিবা নুপামচা অসি হৌজিক লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা লৈঙাক্কী মণিপুর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা হৌজিক ফাওবা চঙজফম লৌরক্লিবনি।

মহাক্না হায়, লাঞ্জেল্লক্ত্রিঙৈ মমাঙদদি ঐবু পোকপা ইপানা বস থৌদুনা অমসুং ইমানা ইঞ্জোল কোয়দুনা... (মথং-মথং)

# হুরানখিবা গাড়ী তরেৎকা কোন্ননা মীওই তরুক ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) : মতম খরগী মমাঙদা হুরানখিবা হোন্দা এক্টিভা ৬ অমসুং মারুটি সুজুকি অলটো এল এক্স আই অমা থা অসিগী ১৩দা পুলিসনা গাড়ীশিং অসিবু থৌরকপা মীওইশিংগা কোন্ননা চান্দেল লম্বীগী পল্লেল সী দি ও চ্যেক পোষ্টতগী ফারে হায়রি।

গাড়ীশিং অসিগা কোন্ননা ফারবশিংদি ৱাংজিং তেন্থা খুনৌ মনীং লৈকায়দগী লাইময়ূম সনাতোম্বা (৪৩), চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী খুদৈ খুনৌদগী এম দি অংলৌরুম (৪০), দিষ্ট্রিক্ট অসিগী খুরিংমুল ভিলেজদগী চনা জে তেন তরাও (৪৩), তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী অংব্রাসু খুলদগী কে ঐচ রেজেয় (৩৬), চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী খুঞ্জাই খুলদগী এস কে মালটিং লমকাং (৩৩) অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী আইমোল চীংনুংহুৎতগী থাংরেং রৈভোন (৩০)নি হায়রি।

### পুলিস ওফিসর-পর্সনেল ৭৫০দা কমেন্দেশন

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) : পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙরাং থোরকপা চেরোল অমদা পুলিস দিপার্টমেন্টকী ওফিসর ১সুং পর্সনেল ৭৫০দা মখোয়গী কথোকপগা লোয়ননা কমেন্দেশন সর্ভিসপু শকখঙলদুনা দিষ্কা লোয়ননা দি জি পি কমেন্দেশন রোল, ২০২৫ পীরে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### মীওই অমা শিরম্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) : ঙসি অয়ূক পুং ৬ লোম তারকপদা খুমন লম্পাক্কী আই এস বি টিগী অনীশুবা গেট মনাক্তা নুপা অমা শিরগা লৈরম্লে।

লৈখিদ্রবা মীওই অসি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী চাদ-থক্তবদগী শিব্রা নৎত্রগা ময়াই কাবা চীঙাক কা হেন্না চারুবদগী শিব্রা হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। পুলিসনা হকচাং অদু লৌখৎলগা মশক খঙদোক্লুবা রিমসকী মীরেলশঙদা থমখ্রে।

অমরোমদা, থা অসিগী ১৪গী অয়ূক্তসু মন্ত্রিপুখ্রিগী ফ্রেন্দস কোলোনিদা অশিবা হকচাং অমা লৈরম্বদগী পুলিসনা লৌখৎখ্রবনি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫